# মণিপুর ষ্টেট টাইকুন্দো চেম্পিয়ন্সিপগী নীনি চনবা নুমিৎ ফাওবদা এন এস এনা গোল্ড ১৭ ফঙদুনা মাঙজিল থারি



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর টাইকুন্দো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৭ তগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা য়ুনিট-১৭ দগী লাকপা নুপামচা ২৫৪ অমদি নুপীমচা ১১৭ পূন্না শান্নরোই ৩৭১না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৩২ শুবা মণিপুর ষ্টেট টাইকুন্দো চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯-২০গী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎ ফাওবদা এন এস এনা গোল্ড ১৭, সিলভর ১১ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৯পূন্না মেটচ ৩৭ ফঙদুনা মেদল টেল্লিগী অহানবা মফমদা লৈরি। অদুগা য়ু টি এনা গোল্ড ১৪, সিলভর ১২ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ১৩ পূন্না মেদল ৩৯ ফঙদুনা অনীশুবা মফমদা লৈরি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী শান্নখিবা কেদেট গালর্স কেজি ৪৭ মখাগীদা য়ু টি এগী ৱাই প্রিয়াদশনিনা অহানবা, কে আই এস এগী আই বিজিয়ানা অনীশুবা অদুগা য়ু টি এগী নিংথেম চনু ঙাম্থোই অমদি এন এস এগী এন টেরেসানা অহুমশুবা তাখি। সব-জুনিয়র গালর্সকী কেজি ২০ মখাগীদা য়ু টি এগী য়োহেনবী রাজকুমারিনা অহানবা তাখি।

কেদেট বোইজকী কেজি ৫৩ মখাগীদা এন এস এগী এ কিসননা অহানবা, টি টি এসকী এল রোহিটনা অনীশুবা অদুগা সাই- এন ই আর সিগী এন ভাস্কর অমসুং এন এস এগী এন দিবোখ্রিসনা অহুমশুবা তাখি।

সব-জুনিয়র বোইজকী কেজি ২১ মখাগীদা পি টি এগী এল দাইমননা অহানবা, য়ুনিট অসিগী কে ঐচ মঙালনা অনীশুবা অদুগা য়ুনিট অসিগী টি ঐচ ইরিকসন অমদি ঐচ টি এগী এন চিংলেম্বনা অহুমশুবা তাখি।

জুনিয়র বোইজকী কেজি ৪৮ মখাগীদা এন এস এগী এস রোহিটনা অহানবা, য়ু টি এগী রোবিসন কোঞ্জেবমনা অনীশুবা অদুগা সাই উৎলৌগী এস সরত অমদি য়ুনিট অসিগী এম দেবজিৎনা অহুমশুবা তাখি।

কাঙলূপ অসিগী কেজি ৫৫ মখাগীদা এন এস এগী এল লেম্বনা অহানবা, সাই উৎলৌগী এস সুরেসনা অনীশুবা অদুগা টি টি এস এগী কে ইংলেঙ অমদি সাই উৎলৌগী এন জি রোসননা অহুমশুবা তাখি।

কাঙলূপ অসিগী কেজি ৬৩ মখাগীদা সাই উৎলৌগী বি রাহুলনা অহানবা, পি টি এগী অকোইজম কেমসিংহনা অনীশুবা অদুগা জেটলি অমসুং য়ু টি এগী দব্লিউ লোয়ুম্বনা অহুমশুবা তাখি।

সেনিয়র বোসজকী কেজি ৫৮ মখাগীদা য়ু টি এগী এস লাঙজিংনা অহানবা, সাইগী এল য়াইফবনা অনীশুবা অদুগা সাই উৎলৌগী এন জি রোনেল অমসুং য়ু টি এগী শিলৈবানা অহুমশুবা তাখি।

সব-জুনিয়র বোইজকী কেজি ৩৮ মখাগীদা সঞ্জিৎনা অহানবা, শ্যামসননা অনীশুবা অদুগা এম ডি সাগির অমসুং শরনদাসনা অহুমশুবা তাখি। কাঙলূপ অসিগী কেজি ৩৮ মখাগীদা নিটিসনা অহানবা, লময়ানবনা অনীশুবা অদুগা লাকশিঙম্বা অমসুং অহেনবনা অহুমশুবা তাখি।

কেদেট বোইজগী কেজি ৩৭ মখাগীদা সমরেন্দ্রনা অহানবা, অদিটিয়ানা অনীশুবা অদুগা নেলসন অমদি কোরৌঙানবনা অহুমশুবা তাখি। কাঙলূপ অসিগী কেজি ৬১ মখাগীদা য়াইখোম্বনা অহানবা, সাঙবনা অনীশুবা অদুগা সুন্দর অমদি য়োহেনবনা অহুমশুবা তাখি।

সব-জুনিয়র বোইজকী কেজি ২৩ মখাগীদা মঙালনা অহানবা, রোসননা অনীশুবা অদুগা বিকাস অমদি ৱাই শামসুলহকনা অহুমশুবা তাখি।

জুনিয়র বোইজকী কেজি ৫১ মখাগীদা সুশিলনা অহানবা, ইভান্সকি মরাকনা অনীশুবা অদুগা মনোজ অমদি শ্রীনিভাসনা অহুমশুবা তাখি।

জুনিয়র গালর্সকী কেজি ৪৯ মখাগীদা রিমানা অহানবা অমসুং প্রিয়ারানিনা অনীশুবা তাখি। কেদেট গালর্সকী কেজি ৩৩ মখাগীদা ভিক্টোরিয়ানা অহানবা, জয়াজেসিনা অনীশুবা অমসুং জোল্লিনা অহুমশুবা তাখি।

সব-জুনিয়র গালর্সকী কেজি ২৬ মখাগীদা সোনিয়ানা অহানবা, চেলসিয়ানা অনীশুবা অদুগা ওলিভিয়া অমদি মলেমঙানবীনা অহুমশুবা তাখি।

জুনিয়র বোইজকী কেজি ৭৮ মখাগীদা মিলননা অহানবা তাখি। সেনিয়র বোইজকী কেজি ৮০ মখাগীদা য়াইখোম্বনা অহানবা, রিশিকান্তনা অনীশুবা অমদি রোবার্টনা অহুমশুবা তাখি।

সব-জুনিয়র গালর্সকী কেজি ১৮ মখাগীদা লিন্থেশইঙানবীনা অহানবা, অবেনাওনা অনীশুবা অমদি থোইহেনবীনা অহুমশুবা তাখি। কাঙলূপ অসিগী কেজি ২২ মখাগীদা থোইবী চনুনা অহানবা, য়াইখোম্বী চনুনা অনীশুবা অমদি চনবীনা অহুমশুবা তাখি। কেজি ৪৯ গী কাঙলূপ্তুনা য়াইফবীনা অহানবা অমদি ইনাওবীনা অনীশুবা তাখি।

কেদেট গার্লসকী কেজি ৫৫ মখাগীদা চারলিনা অহানবা, লক্কীনা অনীশুবা অমসুং রুশিয়ানা অহুমশুবা তাখি। কেজি ৫৯ মখাগীদা প্রিয়াদসনিনা অহানবা, লিংজেসনানা অনীশুবা অমদি মহেশ্বরিনা অহুমশুবা তাখি। কেজি ৪১গী মখাগী কাঙলূপ্তা সাইনানা অহানবা, হফিজানা অনীশুবা অদুগা অশাকিরন অমদি টানিয়ানা অহুমশুবা তাখি।

জুনিয়র গালসকী কেজি ৫৫ মখাগীদা লক্কীনা অহানবা, বিদিয়ালক্ষ্মীনা অনীশুবা অমদি প্রবিননা অহুমশুবা তাখি। সেনিয়র গালসকী কেজি ৬৭ মখাগীদা টিনানা অহানবা তাখি। জুনিয়র গালসকী কেজি ৪৪ মখাগীদা রিয়ানা অহানবা তাখি।

সব-জুনিয়র বোইজ কেজি ২৫ মখাগীদা রোহিটনা অহানবা, প্রকাসনা অনীশুবা অদুগা হনিফ অমদি ধনজিৎনা অহুমশুবা তাখি। কেজি ২৯ মখাগী কাঙলূপ্তুনা নিকাসনা অহানবা, থৌনানা অনীশুবা অদুগা অমিত্র অমদি রিশিকান্তনা অহুমশুবা তাখি।

কেদেট বোইজ কেজি ৪৫ মখাগীদা বোবার্টনা অহানবা, সালিনা অনীশুবা অদুগা শেখরজিৎ অমদি দেবরাটনা অহুমশুবা তাখি।

# অর্নোল্ডিনা মিষ্টর মণিপুরগী টাইতল লৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর বোডি বিল্ডরস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙরাং খুমন লম্পাক্তা লৈবা মল্টিপর্পোজ ইনেদার হোলদা পাঙথোকখিবা ৫৮ শুবা মিষ্টর মণিপুর কন্টেস ২০১৯ গী টাইতল এম পি এস সিগী কোন্থৌজম অর্নোল্ডিনা ফঙখ্রে। সেনিয়র ওভর ওলদা অর্নোল্ডিনা অহানবা, কে বি বি জিম তেরাগী লাইতোঞ্জম রিশিকান্তনা অনীশুবা অমদি গোল্ড জিম ইম্ফালগী আর কে সুরেসনা অহুমশুবা তাখি। কাঙলূপ অসিগী বেষ্ট পোজরনা পকা মেমোরিয়েল জিম মোরেগী এল রোবার্ট মৈতৈনা তাখি।



মিষ্টর মণিপুরগী কম্পিটিসন অসিদা এম পি এস সিনা পোইন্ট ৩৩ ফঙদুনা টিম চেম্পিয়ন, কে বি বি জিম তেরানা পোইন্ট ২৭ ফঙদুনা টিম রন্নস অপ অমসুং কম্পিটিসন অসিগী বেষ্ট কোচনা এম পি এস সিগী ৱাই নিলভিরনা তাখি।

সেনিয়রগী কেজি ৫৫কী কাঙলূপ্তা পামখাল জিম শগোলবন্দগী অকোইজম সঞ্জয়না তাখি। কেজি ৬০গী কাঙলূপ্তা য়ুনাইটেদ জিম নাওরেমথোংগী এল নেতা সিংহনা অহানবা তাখি। কেজি ৬৫কী কাঙলূপ্তা শুবোল ফিটনেস জিম ওইনামগী মুতুম সঞ্জিৎনা অহানবা তাখি।

কেজি ৭০গীদা এস বি বি এফ জিম ক্বাকৈথেলগী কাঙজম দিনেসচন্দ্রনা অহানবা তাখি। কেজি ৭৫কীদা দি জিম রিবোন নাগামপালগী শ্যাটিকুমার সিংহ থোঙামনা অহানবা তাখি। কেজি ৮০ গী কাঙলূপ্তা গোল্ড জিম ইম্ফালগী আর কে সুরেসনা অহানবা তাখি।

কেজি ৮৫কী কাঙলূপ্তা এম পি এস সিগী কোন্থৌজম অর্নোল্ডিনা অহানবা তাখি। কেজি ৯০গী মথক্তনা কে বি বি জিম তেরাগী লাইতোঞ্জ রিশিকান্তনা অহানবা তাখি। ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জকী কাঙলূপ্তা জিম ২৪ মন্ত্রি পুখ্রিগী য়ুমলেম্বম চিংলেন সিংহনা অহানবা তাখি। মাষ্টরগী ওভর ওলনা দি জিম রিবোনগী শটিয়া সিংহ থোঙামনা তাখি। মেন স্পোর্টস ফিজিক্সতা কে বি বি জিম তেরাগী লাইতোঞ্জম গুলসননা অহানবা তাখি।

# নেরোকা ইষ্ট বেঙ্গলদগী পোইন্ট ৩ মুন্নবা হৌৎনগদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ

হিরো আই লীগকী মনুং চন্না হয়েং খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা নেরোকানা য়ুম্থু ওইদুনা ইষ্ট বেঙ্গলগা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিদা নেরোকানা সিজন অসিগী অনীরকশুবা ওইনা মায় পাক্লবা হোৎনগনি হায়না য়ুম্থুগী হেদ কোচ গিফ রাই খাননা ফোঙদোকখ্রে।

হয়েংগী মেটচ অসিগী মমাঙওইননা ঙসি ক্লসিক গ্রান্দদা পাঙথোকখিবা প্রি মেটচ কনফরেন্স অমদা রাই খাননা মখা তানা হায়, আইজোল এফ সিগা শান্নবদা পোইন্ট ৩ ফঙবা ঙমখ্রবসু ঐখোয়গী শান্নরোইশিংনা মশক থোকপা প্রফোমেন্স উৎপা ঙমখিদে। অদুবু হয়েংগী মেটচ অসিদদি ঐখোয়না মমাঙগী মেটচতা লৈখিবা অশোয়বশিং অদু নীংথিনা মেনখৎতুনা য়ুম্থু ওইবগী চব চাবা খুদোংচাবা অদু লৌদুনা ইষ্ট বেঙ্গলবু মায়থিবা পীনবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ভিজিটর ইষ্ট বেঙ্গলগী কোচ এলিঞ্জানরোনা হায়, ঐখোর্য়গী মমাঙগী মেটচ অনীদা দ্রো চৎখ্রবসু ঐখোয়গী টিম অসি হৌজিক্তি টিম কম্বিনেসন চান্না শান্নবা হৌরকপা অসি নেরোকাবু মায়থিবা পীনবগী অচৌবা মরম অমা ওইগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# ৱাই পি এ হিরানমৈ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা পু দেমখোসেক গাঙতে ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসিদগী টিম ১৮ না গ্রুপ-৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা অহানবা দি য় দেমখোসেক গাঙেতে নীংশিং মেন'স ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট শান্নবা হৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই পি এ হিরানমৈনা ঐচ ৱাই দি সি সি এল হৈক্রুজমবু সেট ২-১ ( ২৫-২০, ২২-২৫, ১৫-৮) দা মায়থিবা পীখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা রাইজিং ক্লব চুড়চান্দপুরনা টি কে য়ু ভি সি কৈখাংবু সেট ২-০ (২৫-১৫, ২৫-৭) দা মায়থিবা পীখি।

# লিৱা খুলেন ৱাই সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন চান্দেলনা শীন্দুনা ঙসিদগী লিৱা শারৈ ভিলেজ গ্রাউন্দা এ দি সি চান্দেল ট্রোফি ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ শান্নবা হৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচতা লিৱা খুলেন ৱাই সিনা চন্বাং এফ সিবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা লিৱা খুলেনগী গোলশিং অদু জয়ঙম অমদি জেকোবনা চনখি।

# বোনি এফ সি পাওবিটর মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ

ৱান্টেদ বোইজ শঙ্গাই য়ুম্ফম পুলৈপোকপীনা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী টিম ১২ না গ্রুপ-৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা পুলৈপোকপী প্লে গ্রাউন্দা চথরিবা অনীশুবা কয়ামুদিন ট্রোফি ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা বোনি এফ সি পাওবিটর অমদি এস এম দি সি শোরা মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮ শুবা মেটচ ওইনা ঙতিসগী অহানবা গ্রাউন্দা গ্রুপ- দিগী বোনি এফ সি পাওবিটর অমদি শালিমা এফ সি লিলোংনা শান্নখিবা মেটচতা বোনি এফ সিনা শালিমা এফ সিবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা বোনি এফ সি পাওবিটরগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অহানবা হাল্ফকী মিনিট ১৪ চৎপদা জর্সি নম্বর ৭ অটাও রহমননা চনখি।

৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ-এগী এল ৱাই দি ও লাংখোপাৎ অমদি এস এম দি সি শোরানা শান্নখিবা মেটচতা এস এম দি সিনা এল ৱাই দি ওবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এস এম দি সি শোরাগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ রিয়াস খাননা মিনিট ২০ অমসুং জর্সি নম্বর ১০ রোহিটনা মিনিট ২৪ চৎপদা চনখি।

মায়থিরবা এল ৱাই দি ও লাংখোপাৎকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৭ মুকিমনা মিনিট ১৯ দা চনখি।

# ওস্কার পাওনা বজার মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন ( এম ভি সি এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা টিম ৮ না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরিবা ১৭ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ওস্কার পাওনা বজার মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি গ্রুপ-বিগী দি এ য়ু ক্বাকৈথেল অমদি ওস্কার পাওনা বজারনা শান্নখিবদা মেটচতা ওস্কারনা দি এস য়ুবু ৱিকেট ৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা দি এস য়ু ক্বাকৈথেলনা তোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৮৮ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা ওস্কার পাওনা বজারনা ওভর ২৯.৩দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৯০ লৌদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ৩ দা মায় পাকখিবনি।

দি এস য়ুগী বেট্টিংদা সোমোরজিৎনা বোল ৩৭ তা রন ৪২, তোম্বানা বোল ৪৫ তা রন ৪০ অমসুং চিংতমনা বোল ৪৪ দা রন ৩৬ লৌখি। ওস্কারগী বোল্লিংদা অগগুনা ৱিকেট ৩ অমদি লালবোই অমসুং দেবকান্তনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

ওস্কারগী বেট্টিংদা ৱিংহোরনা বোল ৫৬ তা রন ৫৫, গৌগৌনা বোল ৪২ দা রন ৩০ অমদি হোকেন্দ্রোনা বোল ৩১ দা রন ২৮ লৌখি। দি এস য়ুগী বোল্লিংদা মাইসননা ৱিকেট ২ অদুগা তোম্বা অমদি সমানন্দনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচ ওস্কার পাওনা বজারগী বোল ৫৬ রন ৫৫ লৌখিবা ৱিংহোরনা তাখি। মেটচ অসি কেনজিৎ অমদি য়ুগেননা মেটচ অম্পিয়র ওইনা কন্দক তৌখি।

# ক্রোস কন্ত্রি চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ

এঠলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৩ গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতদগী ১০ শুবা ষ্টেট ক্রোস কন্ত্রি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মেনগী ১০ কিলোমিটর, অন্দর ২০ মেনগী ৮ কিলোমিটর, অন্দর ১৮ মেনগী ৬ কিলোমিটর অমদি অন্দর ১৬ মেনগী কিলোমিটর ২ লোয়ননা নুপীগী ১০ কিলোমিটর, অন্দর নুপীগী ৬ কিলোমিটর, অন্দর ১৮ নুপীগী ৪ কিলোমিটর অমদি অন্দর ১৬ নুপীগী কিলোমিটর ২গী তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ্তা অথোই অহেন তান্নগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদগী মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা ইং ২০২০গী জনুৱারি ১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫৪ শুবা নেসনেল ক্রোস কন্ত্রি চেম্পিয়ন্সিপকীদমক খনগৎকনি হায়রি।

# চে-চাং পীশিনলক্লবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ

ইং ২০২০গী ফেব্রুৱারি ৯ দগী ১৩ ফাওবা টারকোটরা ইন্দোর ষ্টেদিয়ম দেল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱাকো ইনিদয়ান ওপন ইন্টরনেসনেল কিকবোক্সিং টুর্নামেন্ট ২০১৯ দা ইনিদয়াগী টিমদা য়াওনিংবাশিংনা নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল লেভেলদা মেদল ফঙলক্লবা শান্নরোইশিংনা মশা মশাগী মেদিকেল ফিটনেস সার্টিফিকেট, বাইওদাটা, টুর্নামেন্ট চৎলুবগী সার্টিফিকেট কোপিশিং অমদি লেটেস পার্সপোটকা লোয়ননা মণিপুর মিক্স মার্সিয়েল আর্টস এসোসিয়েসন খুরাই পৃথিবা লৈকাইদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা পীশিনলক্লবা মিক্স আর্টস এসোসিসেনগী প্রসিদেন্ট সি ঐচ প্রেমচান্দনা থাদোরকপরা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# সি সি মিট ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়সন (অম্ফা)না শীন্দুনা পাঙথোকপা ৬২ শুবা সি সি মিট ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসিদগী হৌদুনা শান্নগদবা মেটচশিং অদু শীন্থা লেপ্পা লৈবনা মখা তাবা মেটচশিং থা অসিগী ১২ দগী মপাল কাঙজেবুংদা শান্নরগনি হায়না এসোসিয়সন অসিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খহল্লক্লি।









Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*